## ইরিল তুরেলগী হৌরকফম য়েংশিনখ্রে

থৌবাল, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
য়াইরিপোক ট্রেক্করসকী টিম অমনা ঙসি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ৯৮ রোম চৎলগা লৈবা ইরিল তুরেলগী হৌরকফম মরু ওইরিবা লাখামাই ভিল্লেজদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

হৌখিবা চহী কয়াদগী ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা চীংগী মফম কয়াদা চত্তুনা য়েংশিনবগী মনুং চন্না ঙসি ইরিল তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লাখামাই ভিল্লেজদা চৎখিবনি। টিম অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা ঙসি অথেংবদা ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে হায়রি।

## খুরখুলদা উ থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকাই ইম্ফালদা লৈবা ফাউন্দেসন ফোর রিজুভেনেটিং এনভাইরোনমেন্ট, সোসিও ইকোনোমিক এন্দ হেলথ (ফ্রেস)না ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট সেন্ট্রেল সার্কল অমদি খুরখুল য়ুথ ক্লবকা খূৎশম্নদুনা ৭০ শুবা বনমহোসব ২০১৯ গা মরী লৈননা ঙসি খুরখুল অৱাং লৈকাই পব্লিক গ্রাউন্দ অমসুং মসিগী অকোয়বদা উ চারা ২০০ রোম থাখ্রে। ফ্রেসকী সেক্রেটরী এস তোম্বী সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি উ চারাশিং থাখিবা অদুদা কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট সেন্ট্রেল সার্কল য়াওনা ষ্টাফশিংনা মতেং পাংখি।

## এস পি মুখর্জি লৈখিদবা কুমওন

ইম্ফাল, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
ভারতিয়া জন সঙ্ঘগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি (এস পি মুখর্জি) লৈখিদবগী ৬৬ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা কাঞ্চিপুরদা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহ, বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এসঐচ শান্তিকুমার শর্ম্মা, হৌজিক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট সলাম জোয় সিংহ এক্স এম এল এ, পার্টিগী থৌ পুবশিং, শক্নাইবা লুচিংবশিং, মোর্চাগী মেম্বরশিং অমদি কার্য্যকর্তাশিং শরুক য়াখি হায়রি।

## ইন্টরেক্সন পাঙথোকখ্রে

ককচিং, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী চহী ২৫ শুরকপা সিলভর জুবিলি থৌরমগী মনুং চন্না য়ু এস এ কালিফোনিয়াগী সনজোসেদা থবক তৌদুনা লৈরিবা সেকেন্দ তাইন নাওরেম খোগেন্দ্রো সিংহগা মহৈরোয়শিংগা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎ খূদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা স্পিসিয়েল সন্দেগী ৩০৬ শুবা ইপিসোদ ওইনা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা সেন্টর অসিগী ফাউন্দিং প্রসিদেন্ট ডা. এন গিরিধারিসু শরুক য়াখি। মথং নোংমাইজিং থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্কদবা ৩০৭ শুবা ইপিসোদতা ৱাই এস দি ও–১৯৭৯ মেট্রিক বেজ ককচিং হায়স্কুলনা স্পোন্সর তৌরগা মহৈরোয়শিংগী ক্বুইজ কম্পিটিসন তৌগনি হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরী কেএসঐচ জোয়কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

## দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী মতাংদা পুলিস অমসুং মীয়ামগী এৱার্নেস দব্লিউ পি সি গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসন্না শীন্দুনা দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা পুলিস অমসুং মীয়ামগী মীফমগা লোয়নননা এৱার্নেস প্রোগ্রাম ঙসি অংথা মনিং লৈকাইদা লৈবা ৱেষ্টর্ন পান্থোইবি ক্লব (দব্লিউ পি সি) গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী ও সি ইন–চার্জ শোনজাখুপ হাওকিপ এম পি এসনা অথোইবা মীথুংলেন, অংথা গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান থিয়াম মনিহল সিংহনা থৌরম মপু অদুগা জি পি অসিগী ৱার্দ নম্বর ১ গী মেম্বর কোন্থৌজম থম্বাল দেবী অমসুং লৈকাইগী লুচিংবা কয়ানা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা খন্ন–নৈনবা অমসুং এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদু চখখি।

ও সি শোনজাখুপ হাওকিপ্না হায়, হৌজিক মরু ওইনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবদগী খুন্নাইদা থোরক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং মতৌ করম্না থেংনগদগে অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং করম্না থিংগদগে হায়বগী মতাংদা শুগায়না নৈনখি।

পুলিস অমদি মীয়াম মতেং পাংনদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা, থকপা, য়োনবা থিংনবা লৈকাই লৈকাইদা খোঙজং চঙশিনমিন্নসি, মীয়ামগীদমক অফবা থবক পায়খৎনবা পুলিসতা মতেং পাংবিয়ু। মীয়াম্না পুলিসপু লমজিংবিয়ু হায়নসু মহাক্না আপিল তৌখি। শরুক য়াখিবশিংনা হংলকপা ৱাহং কয়াগী পাউখুমসু মহাক্না পীখি হায়রি।




## জিরিবাম অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা পোষ্টর কেম্পেইন চথখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
ইন্টরনেস্নেল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজস এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিং থৌরমগী মাঙওইননা কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা) না ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না পোষ্টর কেম্পেইন অমসুং ষ্ট্রিট কোর্নর মিটিং ঙসি জিরিবাম অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদা কাদাগী থৌমীশিং য়াওনা ক্লব, মৈরা পায়বী, ভিল্লেজ ওথোরিটি অমসুং ৱুমেন সোসাইটিশিংগা খূৎশম্নদুনা চখখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী ২১ দগী হৌখিবা পোষ্টর কেম্পেইনগী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিত্তা জিরিবাম অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদা চথখিবা ষ্ট্রিট কোর্নর মিটিং অমসুং পোষ্টর কেম্পেইনদা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী পুলিস আউট পোষ্ট অমদি পুলিস ষ্টেসনশিংগী পার্সোনেলশিং অমদি মীয়াম্না চাউনা মতেং পাংখি হায়না কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা ইসুশিংগী মতাংদা য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা অমা হায়রগদি খুন্নাই অসিগী নহারোলশিংনা দ্রগ মখল কয়াদা লাইচুদুনা নোংমা নোংমগী লৈখা তারক্লিবা, খুন্নাই অসিগী তুংগী মীরোলদা পীরক্লিবা অচৌবা শীংনবা দ্রগকী ইসু অসিনি। ইসু অসি মতম চানা লৈঙাক্না অমদি মীয়াম্না থেংনহৌদবা তারগদি খুন্নাই অসি চহী খরগী মনুংদা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা চাউনা লৈরে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী নহারোলশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কঞ্জনবা মণিপুর লিক্কর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ মপূং ফানা চৎনহল্লু, দ্রগ পোলিসি শেম্মু, লাইসেন্স পীদুনা য়ু শুংহনবা য়ারোই, হিদাক মনাগী পোৎলম মপূং ফানা থিংউ অমসুং দ্রগ লল্লোনবা মশাগী ওইজবা থিবা ময়ামগী খন্দবা, ৱাদনা শেল তানবা পান্থা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু হায়বা ৱাফম কয়া থমদুনা পাউজেল পীখি হায়রি।

## ষ্টেট লেভেল ইন্টগ্রেসন কেম্প মোরেদা হৌখ্রে

মোরে, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
মণিপুর গভর্ণমেন্টকী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা নুমিৎ ৫ নি চথ্নগদবা ষ্টেট লেভেল ইন্টিগ্রেসন কেম্প ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা বোর্দর টাউন মোরেদা লৈবা ইষ্টর্ন সাইন স্কুলদা হৌখ্রে।

ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা স্কুল মহৈরোয় অমসুং নহা ২০০ রোমনা শরুক য়ারিবা কেম্প অদু ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কম্মিস্নার (য়াস) বোবি ৱাইখোম, জোইন্ট দিরেক্টর য়াস কেঐচ প্রমোদা দেবী অমসুং এস দি পি ও মোরে বিনোই চোংথাম্না মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইখি।

কেম্প অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎকী অয়ুক্কী সেসন্দা সনালৈবাক পাউচেগী এদিটর হেমন্ত নিঙোম্বম্না ইনভোলবমেন্ট ওফ য়ুথ ফোর দ দিভলপমেন্ট ওফ এ নেসন / সোসাইটি হায়বা হিরমদা অদুগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফেকল্টি মেম্বর ডা. চিংলেন মৈস্নাম্না ইকোনোমি সেনেরিও ওফ মণিপুর ষ্টেট হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি।

কেম্প অসিগা মরী লৈননা য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী য়ুথ ওফিসার কে তোম্বনা পাউমীশিংদা হায়, হ্যুমিনিটি দাইভর্সিটি হায়বা থিমদা মরুওইবা পান্দম থমদুনা নুমিৎ ৫ নিগী কেম্প অসি পাঙথোকপনি। তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী অখণ্ড অহৈশিংনা মরু ওইনা দ্রগ ট্রাফিক্কিং, ঐচ আই ভি / এইদস, নেস্নেল ইন্টিগ্রেসনগী মতাংদা ৱা ঙাংদুনা নৈনগনি।

কেম্প অসিগী নীনি শুবা হয়েং নিংথৌকাবা নুমিত্তা মোরে টাউনগী অকোয়বদা নহারোলশিংগী খোঙচৎ অমসু চৎকনি হায়রি।




## এল দি ৱাই এ লাইব্রেরী শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা এলাংখাংপোকপিদা লৈবা লাইব্রেরী দিভলপমেন্ট য়ুথ এসোসিয়েসন (এল দি ৱাই এ)গী নৌনা শাবা লাইব্রেরী ওদিটোরিয়ম ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না শঙ্গাবগা লোয়নননা মীথোই মীহেল্লবা মহৈরোয়শিং মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাইখোং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর চোংথাম ইন্দ্রজিৎ সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, লেঙ্গৌইজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন দিপার্টমেন্টকী লেঙ্গৌইজ ওফিসারসু ওইরিবা এল দি ৱাই এগী প্রসিদেন্ট ডা. টিঐচ হরিমোহোন সিংহনা থৌরম মপু অদুগা ৱাইখোং জি পিগী প্রধান দব্লিউ গোজেন সিংহনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইখি।

ঙসি শঙ্গাখিবা লাইব্রেরী ওদিটোরিয়ম অদু জিল্লা পরিষদ মেম্বর চোংথাম ইন্দ্রজিৎনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা অহুমশুবা ষ্টেট ফাইনান্স কম্মিসনগী মখাদা লুপা লাক্ষ ৫ হেনবগী শেনফম থাদরগা শাখিবনি।

শঙ্গাখিবা ওদিটোরিয়ম অদুমক্তদা ৫ রক শুবা ফেসিলিটেসন কম এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমসু ঙসি পাঙথোকখি। মদুদা এলাংখাং–পোকপি, থোংজাও, ৱাইখোং, থৌনাওজম, য়াংদোংগী মনুংচন্না লৈবা চহী অসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা মার্ক য়াম্না ফংদুনা মায় পাক্লবা অমসুং লেট্টর চৎপা মহৈরোয়শিংদা মনা মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি হায়রি।

## জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিগী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
মীতৈ কনভেন্সন (এম সি) জিরিবাম্না শীন্দুনা চাউখৎ থৌরাং অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিগী মতাংদা মীয়ামগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী মীফম ঙরাং শমুপুনবী (গুলারথোল) গী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

জিরিবাম জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্য কেঐচ জনকি দেবী, এম সিগী প্রসিদেন্ট টিঐচ কুম্ভো লুৱাং, সেনিয়ার সিটিজন সোসাইটি জিরিবামগী সেক্রেটরী এস মনিতোন সিংহ, উপ অধক্ষ্য টিঐচ সোমোরজিৎ সিংহ, মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপ্যুটি সেক্রেটরী ওইরম্বা সগাপ্পম নব সিংহ, সোসিয়েল ৱার্কর হবিব অলি, ৱাই অক্সকুমার আই পি এস রিটয়ার্দ অমদি বিসম্ভর নোমাসুদ্রনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু, ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

খন্ন–নৈনবা মীফম অদুনা ৱারেপ ৪ সু লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি য়ুমথংনরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগা বাউন্দরিগী মতাংদা মতম মতমগী ওইনা অয়েৎ অপন পীরকপদা কন্দেম তৌবগা লোয়নননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা তুং কোইনা চৎনবা য়াবা মওংদা বাউন্দরি দিমাক্রেসন তৌবিনবা হায়জবা, অনীশুবদা ২০১৬ দিসেম্বরদগী মপূং ফাবা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট ওইরবসু দরকার ওইবা মচাক মথুম মপূং ফানা শেমগৎপিদবা অসি গভর্ণমেন্টনা য়েংশিনবিদুনা শেমগৎপিনবা হায়জবা, অহুমশুবদা মপূং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরবসু দিপ্যুটি কম্মিস্নার অমসুং এস পিদা মপূং ফাবা শক্তি পীদুনা মথৌ তৌহন্দবা অসিসু অথুবদা পীফম থোকপা শক্তি পীবিনবা হায়জবা অমসুং মরিশুবদা ৱাফমশিং অসি মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম পূন্না দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা চঙশিনমিন্নবা হায়বসিনি।

মীফম অদুনা লেপ্পখিবা ৱারেপশিং অদু লোকেল এম এলএ অমসুং জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্যগী খূত্থাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা পীশিনবা হায়নসু য়ানখি হায়রি।

## পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
কুননিপান সেক্টর অসাম রাইফসকী ককচিং বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙরাং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা চকপিকারোংদা লৈবা প্রিচ হেরিটেজ একাদেমিদা শান্ন–খোৎনবা, চাননবা চীঞ্জাক অমসুং চে কলম বোইনচিংবা য়েন্থোকখ্রে। আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, সলুক কম্পনি ওপরেটিং বেজনা শীন্দুনা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকপগী থৌরমদা অঙাং ৬২ রোম শরুক য়াখি।

## খামাসোম ৱালেনি ভিল্লেজদা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
টেন সেক্টর অসাম রাইফলসকী সোমসাই বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খামাসোম ৱালেনি ভিল্লেজদা ঙসি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা নেস্নেল হায়ৱে ২০২ গা শম্নবা য়াম্না মনুং চঙশিনবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা অমত্তা ফংদবা ইন্দো–ম্যান্মার বোর্দ ময়াদা লৈবা ভিল্লেজ অসিদা মেদিকেল কেম্প অসি পাঙথোকখিবনি।

কেম্প অদুদা অনাবা ২১২ লায়েংখি। অকোয়বদা লৈবা ভিল্লেজশিং হায়বদি ফুংথর, খামাসোম খয়াংথো, ফুংরৈ, সিহাই, ৱালেনিগী মীওইশিংনা কেম্প অদুদা শরুক য়াবা ফংনবগীদমক চখোক চৎশিনগী খুদোংচাবা অসাম রাইফলসনা পীখি।

সোমসাই বট্টালিয়ন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল উখ্রুলগী ডাক্তর ২ অমসুং পেদিট্রিসিয়ান অমা য়াওবা টিম অমা কেম্প অদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

## নম্বোল নাওরেমদগী তাম্থোক্লবা ৱারেপ্লখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নম্বোল নাওরেম মখা লৈকাইদা লৈবা তোংব্রম মৈপাক (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা নোবিন সিংহবু মীহাৎ থিনা হাৎতোক্লম্বা থৌওংবু খুলগী ক্লব, মৈরা পায়বী অমসুং মীয়াম্না কন্না য়ানিংদবা অমদি পেন্দবা ফোঙ–দোকপগা লোয়নননা মীহাৎ অদুদা চেন্নরিবা পোকমিন্নবা মনাওনুপা তোংব্রম ইনাও (৫৪) অমদি মচানুপা তোংব্রম তোম্বা (২১)বু নম্বোল নাওরেমদগী মপুন্সি চূপ্পা তাম্থোকপা হায়না ৱারেপ্লখ্রে।

নাওরেম য়ুথস স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌদোক অসি ঙরাং থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ইশোক মনিং চীংয়া ওইনামদগী ৱাঙ্গোই তাবা লন্বীদা থোকখিবনি।


### লান্ন–থৌরম



তাইবঙ ফম্পাকথকসিদা মপুগী শিন্থা পাঙদুনা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বী **লাইশ্রম ওংবী মোধুবালা লৈমা**–না মপুনা থাবা চৈথেক–চৈশিং লোইরদুনা হৌখিবা চৈচৎ ১৭।০৬।২০১৯ কুমজা, ইঙাগী ১৫ নি পানবা (পুর্ণিমা) নিংথৌকাবা কোরৌদা খমনুং শৱা তান থৱায় য়াইবিরেন শিদবনা তেংবানবা মপুগী লৈকোলনুদা লৈরাংগী লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

ইঙাগী ১৯ নি পানবা চৈচৎ ২১।০৬।২০১৯ কুমজা, ইরাই কোরৌদা মঙানি লৈহুন তমজরগা, ইঙাগী ২৪ নি পানবা চৈচৎ ২৭।০৬।২০১৯ কুমজা, শগোলশেল কোরৌদা লান্ন–থৌরম থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী য়াইবীরেন্না মপুগী লৈকোন্দা ঈংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক ঙমজবা হৈরাং–লৈরাং খরদং শিদবা মপুগী মিঙ্খোগা লোয়নননা কৎচগদৌরি।

থৌরম অসিদা অহল–লমন, ইমা–ইবেন, মরুপ–মপাং, অমদি ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবীগী তিন্নবীরম্বা খ্বাই খিবিক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা মপুগী মিঙ্খে শক শোঞ্জববু য়াওবীরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেল কৎচরি।

থৌরম পরেং ঃ
অয়ুক পুং ৯.০০ হৈরাং লৈরাং কৎচবা, নুংথিল পুং ১২.৩০ মিঙ্খে শক শোনবা।

চাঙাঙ্গে উচেক্কোন

পাউজেঞ্জরিবাঃ
লাইশ্রম গোবিন মৈতৈ (মপুরোইবা)
অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংশিং

SL/4990/24


## অম্মপালনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

জিরিবাম, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
অসামগী চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দ সোনোৱাল অমদি সিলচরগী এম এল এ দিলিপকুমার পাল অমসুং উধারবোনগী এম এল এ মিহির কান্তি সোলনা লুপা লাক্ষ ৫০ পীবিরকপ–গীদমক অসাম মণিপুরী মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (অম্মপাল)না থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

অম্মপালগী প্রসিদেন্ট এ লেলি সিংহানা ময়াই ফমদুনা লূপ অসিগী শঙলেন্দা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম্না মৈরা শঙলেন মপূং ফানা শেমজিন শাজিন্নবগীদমক মৈরা শঙলেন বিল্ডিং মেন্টেনেন্স কম্মিটি অমসু শেমখ্রে। কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা ঐচ বাবু সিংহ, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা সনাথোই দেবী অমদি সেক্রেটরী ওইনা এস হেরাজিৎ সিংহবু হাপ্পগা লোয়নননা কম্মিটি অসিগী মেম্বর পূন্না ১১ লৈগনি হায়রি।

## ফোল্ক দান্স অমসুং ম্যুজিক ফেষ্টিভেল হৌখ্রে

ককচিং, জুন ১৯ (এস এন এস )ঃ
সঙ্গীট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট আর্টস এন্দ কলচর দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন ৱাবগাই তেরা উরক্ন শীন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চথগদবা মণিপুরী ফোল্ক দান্স অমসুং ম্যুজিক ফেষ্টিভেল ঙসি ৱাবগাই য়াংবি কম্যুনিটি হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কৈরক ৱাবগাই জিল্লা পরিষদকী মেম্বর এম জয়ন্ত সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী ময়েংবম ব্রজমনি সিংহনা থৌরম মপু, ৱাবগাই জি পিগী উপ–প্রধান কে প্রেমচন্দ্র, ৱার্দ মেম্বর কে রাজু সিংহ, ষ্টেট এৱার্দি (লাইরিক থিবা হায়বা) কে জোয়চন্দ্রনা ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইখি।

ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরী নাৎকী জগোয় অমসুং ঈশৈ কয়া উৎকনি হায়রি।

## অমকিলগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)গী ৮ লক শুবা জেনরেল বোদি মীফম ঙসি এমসু ময়াই লোয়শঙদা পাঙথোক্তুনা ২০১৯–২০২১ ফাওবগী থৌ পুগদবশিং নৌনা খনখ্রে।

অমকিলগী চেরোল অমনা হায়, ঙসিগী মীফম অদুদা খা নোংপোক অপূনবা নুপী লূপ জিরিবাম, নিম্পাল ইম্ফাল ৱেষ্ট, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপ, অনুল বিষ্ণুপুর, থৌবাল ইমা থৌবালগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

থৌ পুনবা নৌনা খনখ্রবশিং অদুদি ফাঞ্জৌবম ওংবী শখি লৈমা ইম্ফাল ইষ্ট প্রসিদেন্ট, লৌরেম্বম ওংবী ঙানবী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, অরিবম সিতারা ইম্ফাল ইষ্ট, আর কে বিনো ইম্ফাল ৱেষ্ট পূন্নমক ভাইস প্রসিদেন্ট, কাঙবম ইবেয়াইমা ইম্ফাল ইষ্ট জেনরেল সেক্রেটরী, মৈস্নাম মঙলেম্বী থৌবাল ইমা ফাইনান্স সেক্রেটরী, লাইরেল্লাকপম তোম্বী থৌবাল ইমা আই পি আর সেক্রেটরী, ময়াংলম্বম ওংবী আর কে রাধেস্না ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী, অনুলগী খ্বাইরাকপম থম্বালমেনা দিষ্ট্রিক্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী, নিম্পালগী এলাংবম মোনিতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী, নোংপোক লৈঙাক্কী চবুংবম মনোরোমা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী, থৌবাল ইমাগী লাইশ্রম মনিতোম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী, থৌবাল ইমাগী চোংথাম মেমতোন কম্যুনিটি সেক্রেটরী, নিম্পালগী অনন্দাবী কোন্থৌজম লিগেল এফিয়ার্স সেক্রেটরী, অঙোম সুস্মা এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী, অনুলগী চোংথাম চাউবী এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরী, কৈথেলগী কোঞ্জেংবম মঙ্গিতা মার্কেট এফিয়ার্স সেক্রেটরী অমদি খাইদেম লৈরাংতোম্বী এসিষ্টেন্ট মার্কেট এফিয়ার্স সেক্রেটরী, অনুলগী মোংজম শান্তি এসিষ্টেন্ট আই পি আর সেক্রেটরী, পিয়াইনু লৈমা দিষ্ট্রিক্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী মোরে, বিমোলা লৈমা দিষ্ট্রিক্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী জিরিবাম, থাংজম ওংবী সনাথোই ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী অসাম, অঙম রোংমৈ দিষ্ট্রিক্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী খৌপুম তম্পাক, নয়ানি দেবী দিষ্ট্রিক্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী সিসিপুরনি হায়রি।

## ভিজন এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে


ইম্ফাল, জুন ২৩ (এস এন এস )ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাংখৈ অয়াংপল্লিদা লৈবা পি দি ট্রেনিং সেন্টর (চিলড্রেন পার্সোনেলিটি দিভলপমেন্ট ট্রেনিং সেন্টর)দা ভিজন এৱার্নেস প্রোগ্রাম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ট্রেনিং সেন্টর অসিগী চেরোলনা হায়, মফম কয়াদগী লাকপা অঙাং ৭৫ না শরুক য়াখিবা প্রোগ্রাম অদুদা জেনিমস পোরোম্পাৎকী দিরেক্টর ওইরম্বা হোরাইজন হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. ৱাই য়াইমা সিংহনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

পি দি ট্রেনিং কোওর্দিনেটর হিদাম বাসুনা ষ্টেট অসিগী ওইনা অঙাংশিংগীদমক এৱার্নেস প্রোগ্রাম তোয়না পাঙথোক্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি হায়রি।


### অৱাবা ফোঙদোকপা

গোশ্বামী মরুপ
শগোলবন্দ, তোংব্রম লৈকাই, ইম্ফাল



গোশ্বামী মরুপ, শগোলবন্দ তেরা তোংব্রম লৈকাইগী মতম শাংনা মেম্বর ওইবিরম্বা নোংমাইথেম সেখোর মৈতৈনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং–মনুং, শাগৈ–নাতে, মরুপ–মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা চৈচৎ ১৯।৬।২০১৯ কুমজা ইঙাগী ১৭ নি পানবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মপুনা থাবা চৈথেক মশীং শুরদুনা য়াইবী থৱায়না তেঙবানবা মপুগী লৈকোলদা লৈরাং লৈনম ওইনা তিঞ্জখ্রে।

লৈখিদ্রবা মেম্বর অসিগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিক্না লৈজরুনবা মরুপকী মেম্বরশিংনা চৈচৎ ২৩।৬।২০১৯ কুমজা ইঙাগী ২১ নি পানবা ৫ নি লৈহুন তমজবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লোয়নননা লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

সেক্রেটরী,
গোশ্বামী মরুপ, শগোলবন্দ তোংব্রম লৈকাই,
ইম্ফাল ৱেষ্ট।

SL/4987/24



### KHANGHANJABA

33/Khangabok Khungi manungda leiba Ingkhol Pata no. Old 33/894, New Pata No. 1464, Dag No. 4582 dagi area .0218 hairiba area ashi eigi mingda tashengna ming onduna amadi panduna leiraba area pakpa chaoba Pata No. old 33/894/, New No. 1464-6453 Dag No. 8582-5902 amadi hannadagi dokhol touduna leiriba area ashida kanagumbana yetpiningba leiradi numit mari (4)gi manungda yetpirakpa yagani mashigi matung taba wakat loujaroi.

Khanghanjariba
**S. Kunjabihari Singh**
33/Khangabok

SL/4977/23x24



### মীওই খরা পামজে

য়োৎ শৌবা (Welding) হৈবা অমসুং তম্নিংবা মীওই খরা পামজে। লৈফম চাফমগী খুদোংচাবা পীজগনি। তম্নিংবা মীওইশিংসু নোংমগী খুৎশুমন পীজগনি। মশাগী চহী ২৫ দগী হেন্দবা মীওইশিংনা হেন্না পামজে।

অকুপ্পা মরোলগীদমক
Pisatao Construction
Khurai Thoidingjam Leikai
Phone No. 7085333561/03852421784

SL/4946/18-24


## ঙসিগী রাষি ফল (২৪–০৬–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** শাওনবা, শোক্কনবা, কোক শাবা, শেল চৎপা মতম্নি। খৎনবা মতম্নি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ চাং অমদা লৈ।

**বৃষঃ** চরক চহিং নাইবা, অপনবা থেংনবা মতম্নি। শেল চৎপনা হেল্লগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** ৱারৌবা, অশাওবা, মুক্নবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। লম চৎপা চেকশিল্লু। পোৎ লৈবা য়াগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬,৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা মতম্নি। নক্ষত্র ৭,৮, ৯ অফবনি।

**সিংহঃ** ৱারৌবা, অশাওবা, পেন্দবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি চেকশিনবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** মত খেন্নবা, চরক চহিং নাইবা, শেল চৎপা, ৱাখল লাঙবা মতম্নি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।

**তুলাঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫,১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৯ অফবনি।

**ধনুঃ** শাওনবা, শোক্কনবা মতম্নি। শাওদবা ফগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** চরক চহিং নাইবা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি চেকশিল্লু। পোৎ লৈবা য়াগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ চাং অমদা লৈ।

**কুম্ভঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা কান্নবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। হকচাং ফগৎলগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা ফবা, কান্নবা পোৎ লৈবা য়াবা, হকচাং ফগৎপা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।

